# মারিন সিলিক, এন্দি মরে পেরিস মাষ্টর্সকী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে, নোভাক জোকোভিচ মায়থীখ্রে





পেরিস, নভেম্বর ০৫ : মারিন সিলিকনা মফম অসিদা চথুরিবা পেরিস মাষ্টর্সকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচপু মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা এন্দি মরেনা নৌনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইনবগী লম্বী নকশিনখ্রে।

জোকোভিচকা মমাঙদা মায়োক্কনা শান্নখিবদা ১৪রক মায়থীবা নংখিবা সিলিকনা সার্ব অসিবু ৬-৪, ৭-৬ (৭/২) তা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি। জোকোভিচনা মেচ মায়থীখিবা অসিনা মহাক্না চয়োল ১২২ চূপ্না ৱর্ল্ড নম্বর ৱান রেঙ্কিংদা লৈরিবা অসিদা অচৌবা শাফু অমা ফংখ্রে।

মেচ লোইরবা মতুং সিলিকনা হায়খি, মসি ঐগীদি খ্বাইদগী ফবা হায়বদুনি, ঐনা নিংথিনা শান্নখি। মহাক্না ঐবু ১৪ রক মায়থীবা পীখ্রে। অদুবু ঐখোয় অনী ঙরাংগী মেচ অদুদা য়াম্না নকশিন্ননা শান্নখি অমদি মেচ অদু ঐনা মতীং থোক্না শান্নখিবদগী মায় পাকখি।

ঐনা মেচ অদুদা মফম চানা কন্দুনা পোইন্ট লৌবা ঙমখি অমদি ঐনা মহাক্কী পোইন্ট লৌননবগী খুদোংচাবা পীবা তৌখিদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমেরিকাগী জোন ইস্নরনা কম্পেট্রিওট জেক সোকপু ৭-৬ (৮/৬), ৪-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট ফোরদা খুমাঙ চাউশিনখি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা এন্দি মরেনা টোমাস বার্দির্চপু ৭-৬ (১১/৯), ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি। মেচ অদুদা মরেনা টাই-ব্রিক্তা সেট পোইন্ট তরেৎ সেভ তৌদুনা মায় পাকখি। বৃটোন অসিনা সেমী ফাইনেল মেচতা মিলোস রাওনিক নৎত্রগা জো-ৱাইলফ্রাইদ সোঙ্গাগা মায়োক্কদুনা শান্নগনি। করিগুম্বা মহাক্না সেমী ফাইনেল মেচ অসি মায় পাক্লবদি নোভাক জোকোভিচকী মথক থংনা লৈদুনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরগনি।

মরিরক চেম্পিয়ন ওইদুনা রেকোর্দ থল্লিবা জোকোভিচনা পেরিসতা লাক্তুনা মহাক্কী রেঙ্কিং পোইন্ট ফগৎনন-বগীদমক অকনবা মওংদা হোৎনরিবনি।

পনবা য়াই, ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচনা শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা গ্রিগোর দিমিট্রোভপু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

জোকোভিচনা দিমিট্রোভপু ৪-৬, ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। জোকোভিচনা অহানবা সেটতা মহাক্কী সার্ভ অনীরক মাঙজখি অমদি অনীশুবদা সার্বনা নিংথিনা খুৎ হনখিদুনা মায়োক্ক খিবা লম্বাবু নক্সাৎনবা হোৎনখ্রবসু মায়থীখি। অনীশুবা অমদি অহুমশুব সেটতদি জোকোভিচনা কম্মান্দ তৌদুনা শান্নরকখিবনা মায় পাকপা ঙমখি।

টুর্ণামেন্ট অদুগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱানগী মফম তান্নরিবা এন্দি মরেনা ফ্রেঞ্চকী লুকাস পৌলেবু ৬-৩, ৬-০ দা মায়থীবা পীখি।


ক্রোসিয়াগী টেনিস প্লেয়র মারিন সিলিকনা দেভিদ গোফিনবু ৬-৩, ৭-৬ (১১/৯) তা মায়থীবা পীদুনা লন্দনদা চৎলিবা থা অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি। কুমজা ২০১৪ গী য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়ন অসিনা চহী অসিদা গোফিনগী মখুৎতা অহুম্লক মায়থীখিবা অদু ঙরাংগী মায় পাকখিবা অদুনা লমনখুম্বা ওইনা থোকখি।

চেক রিপব্লিক্কী তরেৎশুবা সীদ টোমাস ভার্দিচনা ফ্রেঞ্চমেন গিল্লেস সিমোনবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

কনাডাগী মরিশুবা সীদ মিলোস রাওনিকনা উরুগুৱেগী পাব্লো ক্যুভাসপু ৪-৬, ৬-১, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

পনবা য়াই, ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচনা পেরিস মাষ্টর্সকী য়ুমশকৈশা নুমীৎতা শান্নখিবা মেচতা লক্সম্বার্গকী গিল্লেস মুল্লরবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট সিক্সটিনদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি। মশাগী চহী ২৯ শুরবা জোকোভিচনা মহাক্কী চয়োল ১২২ চূপ্না টোপ রেঙ্কতা লৈরকখিবা অসি শাংদোকহন্নবগীদমক পেরিসকী ফাইনেল চঙবা মথৌ তাখিবনি।

# ভর্মাগী মচিন-মনাও সৌরভ অমদি সমীরনা বিটবর্জর ওপনগী সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে



সার্ব্রুকেন (জর্মনি), নভেম্বর ০৫ :

ভর্মাগী মচিন-মনাও সৌরভ অমদি সমীরনা মফম অসিদা চথুরিবা য়ু এস দি ১২০,০০০ গ্রান্দ প্রি গোল্ড বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মখোয়-মখোয়গী মায়োক্ক খিবা লম্বাশিংবু মায়থীবা পীখিদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা সৌরভনা মেন'স সিঙ্গলস মেচকী মিনিট ৫১ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৱর্ল্ডগী নম্বর ১৩ শুবদা লৈরিবা অমদি অহুমশুবা সীদেদ জর্মনগী মার্ক জৱিল্লরবু ২১-১৫, ১৬-২১, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীখি। চাইনিজ টাইপৈ ওপনগী চেম্পিয়ন অসিনা সেমী ফাইনেল মেচতা ১৫শুবা সীদ দেনমার্ককী এন্দরস এন্টোন্সেনগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

সৌরভকী নহা ওইরিবা মনাওনুপা অমদি ১২শুবা সীদেদ সমীরনা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা য়ুক্রেনগী আর্টেস পোটোরোভপু ২১-১৪, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীখি। সেনিয়র নেসনল চেম্পিয়ন সমীরনা মথংগী মেচতা চাইনিজগী মরিশুবা সীদেদ শি য়ুক্কিগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

মমাঙদা শান্নখিবা টুর্ণামেন্ট অহুম বেলজিয়ম, পোলেন্দ অমদি চাইনিজ টাইপৈগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা সৌরভনা টুর্ণামেন্ট অসিগী সম্মিট ক্লাসকীদমক খুমাঙ চাউশিনগদবা মেচ অমখক্তা ঙাইরে।

সৌরভ অমদি মার্কনা অমগা অমগা হেঞ্জিন্নবা য়াদনা শান্নরক্তুনা ৭-৭ তা লৈখি। অদুবু ইন্দিয়ন অসিনা মতীং থোক্না শান্নরক্তুনা ৯-৭ তা মাঙজিল থাখি। জর্মননা অথুবদা নিংথিনা খুৎ হল্লকখিদুনা ১২-১২ দা লৈখি। মখা তানা প্লেয়র অনীনা কৃক-কৃক ইন্ননা শান্নরকখিদুনা অরোইবদা সৌরভনা মার্কপু নক্সাৎখিদুনা সেমী ফাইনেলগীদমক মফম কনবা ঙমখি।

সমীরনা ওপনিং গেমদা ০-৩ দা নেম্না লৈখি অদুবু মখা তানা গেমদা নিংথিনা খুৎ হনখিদুনা মায় পাকখি। অনীশুবা গেমদা সমীরনা অহৌবদা ২-৫ অমদি ৮-১১ দা নেম্না লৈখ্রবসু মতীং থোক্না শান্নখিদুনা মায় পাকখি।

অমরোমদা, ভর্মাগী মচিন-মনাও, সৌরভ অমদি সমীরনা ঙরাং শান্নখিবা মেন'স সিঙ্গলস কম্পিটিসনদা মখোয় মখোয়গী মায়োক্কখিবা ওপোনেন্টশিংবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

সৌরভনা ইন্দোনেসিয়াগী তরুকশুবা সীদ ইসান মৌলানা মুষ্টোফাবু ২১-১১, ২২-২০ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। অদুগা ১২শুবা সীদ সমীরনা স্কোটলেন্দগী কিরন মেরিলীসপু অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা ২১-১৭, ২১-১৭ তা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

মিক্স দবলসতা প্রাজক্তা সৱান্ত অমদি মহাক্কী মালেসিয়ন পার্টনর য়োগেন্দ্রন কৃষ্ণননা মালেসিয়াগী মরিশুবা সীদেদ কিয়ন মেং টান অমদি পৈ জিং লাইগী মখুৎতা ১৫-২১, ১১-২১ দা মায়থীহৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী রুথতিকা শিভানি গাদ্দেনা প্রী-ক্বার্টর ফাসনেল মেচতা চিনাগী হি বিংজিআওগী মখুৎতা ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীহৌখি।


গাদ্দেনা চাইনিজগী টোপ সীদেদ বিংজিআওগী মখুৎতা ১৬-২১, ১৩-২১ দা মায়থীখি।

পনবা য়াই, শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা সৌরভনা মহাক্কী চাইনিজ ওপোনেন্ট অমদি ১৪শুবা সীদেদ জু সোংগা ওপনিং গেমদা ৯-১৬ তা লৈরিঙৈ মতমদা সোংনা রিটয়ার্দ তৌখিবদগী অহুমশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি।

মহাক্কী নহা ওইরিবা মনাওনুপা অমদি ১২শুবা সীদেদ সামীরনা ফিনলেন্দগী ইটু হৈনোবু মিনিট ৩০ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ২১-১০, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা রুথভিকানা নেদরলেন্দসকী সোরায়া দি ভিচ ইজবার্জেনবু লোপ-সাইদেদ মেচ অদুদা ২১-১১, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীখি।

# ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসননা এসিয়ন বিচ গেমস য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লবা খন্নখ্রে



চেন্নাই, নভেম্বর ০৫ : ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ) গী ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ইগজেক্যুটিব কাউন্সিলগী মীফম্না করিগুম্বা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীরবদি লাক্লিবা কুমজা ২০২০ গী তরুকশুবা এসিয়ন বিচ গেমস য়ুম্বু ওইদুনা মহারাষ্ট্রাদা পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ওলেম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়া (ও সি এ) গী থৌশিল মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন বিচ গেমস অসি এসিয়ন গেমসকী হেক মথংদা কন্টিনেন্ট অসিগী খ্বাইদগী চাউবা অনীশুবা মল্টি স্পোর্ট ইভেন্ট অমা ওইরিবনি। চৎলিবা চহী অসিদা ভিয়েটনামনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা মঙাশুবা এদিসনগী এসিয়ন বিচ গেমসদা কন্টিনেন্ট অসিগী লৈবাক ৪১ দগী তোঙান তোঙানবা এথলেট ২০০০ হেনবনা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ১৪ দা শরুক য়াদুনা অথোই-অহেন তান্নখি।

মীফম অদু লোইরবা মতুংদা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ) গী প্রসিদেন্ট এন রামাচন্দ্রননা পাউমীশিংদা হায়খি, আই ও এগী ইগজেক্যুটিব কাউন্সিলনা লাক্লিবা কুমজা ২০২০ গী এসিয়ন বিচ গেমসবু মহারাষ্ট্রানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লবগীদমক গভর্ণমেন্টতা হায়জবা হায়না ৱারেপ লৌখি। গেমস অসি পাঙথোক্লবগীদমক মথৌ তাবা শেনফমশিং সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পুথোক্কনি। মসিগীদমক সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টদগী অয়াবা লৌবা মথৌ তারি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, বিচ গেমস অসি হান্নদি চহী ২/২ লৈরগা পাঙথোক্লম্বা অদু ওলেম্পিক্স গেমসগুম চহী ৪/৪ লৈরগা ওইনা পাঙথোক্লগনি।

ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ) গী সেক্রেটরি জেনরেল রাজিভ মেহটানা হায়খি, মহারাষ্ট্রাদা পাঙথোক্লবগীদমক থৌরাং তৌরিবা এসিয়ন বিচ গেমস অসিগী ভেন্যু অমদি মতমশিং ওলেম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়াগা তনরবা মতুং কোন্না লাউথোক্কনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

এসিয়ন বিচ গেমস অসি গোৱানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌরম্লবসু ষ্টেট অসিনা নেসনল গেমস য়ুম্বু ওইগদৌরিবা অসি য়েংলগা মহারাষ্ট্রাবু গেমস অসিগীদমক খনগৎখিবনি।

# ইন্দিয়ন টিম ইংলেন্দগী মায়োক্তা শান্নগদবা অহানবা টেষ্ট মেচকীদমক রাজকোটতা থুংখ্রে, জেমস এন্দরসন ইংলেন্দ টিমদা য়াওরগনি

রাজকোট, নভেম্বর ০৫ : স্কিপর ভিরাট কোহলিনা লুচিংবা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিম ইংলেন্দগী মায়োক্তা শান্নগদবা টেষ্ট মেচ মঙাগী সেরিজগী অহানবা গেমগীদমক মফম অসিদা ঙসি থুংখ্রে।

অহানবা টেষ্ট মেচ অসি নভেম্বর ৯ দা খন্ধেরিদা লৈবা সৌরাষ্ট্রা ক্রিকেট এসোসিএসন (এস সি এ) ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি। সৌরাষ্ট্রা ক্রিকেট এসোসিএসনগী মেদিয়া মেনেজর হিমানশু শাহনা হায়খি, গৌতম গম্ভির, ইশান্ট শর্ম্মা, জয়ন্ত য়াদভ অমদি অমিট মিশ্রাগা লোয়ননা কোহলি অমদি অতোপ্পা টিম মেম্বরশিং ঙসি অয়ুক্কী চাউরাক্না পুং ৮.২৫ রোম চৎপা মতমদা মফম অসিদা থুংলখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, লোকেল প্লেয়র চেটেশ্বর পুজারা অমসুং রভিন্দ্র জাদেজাসু টিম অদুদা জোইন তৌখি। অদুগা হার্দিক পান্দিয়ানা মখাদা লাক্তুনা ইন্দিয়ন টিমদা জোইন তৌরগনি।

কোহলিনা মফম অসিদা লৈরিবা হোটেল ইম্পরিএলদা ঙসি মহাক্কী চহী ২৮ শুবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা ইন্দিয়াগী টিম অমসু শরুক য়াবতা নত্তনা বোলিৱুদকী এক্ট্রেস অনুস্কা শর্ম্মাসু শরুক য়াগনি হায়না শাহনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা রাজকোটকী এয়রপোর্টতা থুংলবদা ক্রিকেটপু নুংশিজবা অমদি পামজবা মীওই কয়ানা কোহলিদা খুদোলপোৎ অমদি কেকশিং পীনবা থোমজিল্লকখি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়ন স্কিপর অসিনা অনুস্কা শর্ম্মাগা লোয়ননা হোটেলদা দাইরেক্ট ওইনা চৎখি।

অমরোমদা, ইংলেন্দগী ৱিকেট টেকর জেমস এন্দরসন্না ইন্দিয়াদা লৈরবা ইংলেন্দগী স্কাদতা অথুবা মতমদা জোইন তৌরগনি হায়না পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোরক্লি।

এন্দরসন্না ইন্দিয়াগা মায়োক্নদুনা রাজকোটতা শান্নগদৌরিবা অহানবা টেষ্ট মেচতা শরুক য়ারোই। এন্দরসন্না মহাক্কী মরেংবান্দা নারিবা অদু অথুবদা ফগৎলকপগী ফীভম লৈবদগী ইংলেন্দ স্কাদতা য়াওরগদবনি হায়না ইংলেন্দ এন্দ ৱেলস ক্রিকেট বোর্দ (ঈ সি বি) কী ৱেবসাইটতা থাগৎলকখিবা ৱারোল অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দিয়া-ইংলেন্দ অনীগী সেরিজ তম্বা ঙমদবা ফীভমদা লৈরি



রাজকোট, নভেম্বর ০৫ :

ইন্দিয়া অমদি ইংলেন্দ অনীগী টেষ্ট মেচ মঙাগী সেরিজগী অহানবা মেচ মফম অসিদা নভেম্বর ৯ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক ইংলেন্দ টিমনা ফুল ট্রেনিং সেসন ঙসিদগী চথুবা হৌখ্রে।

ইংলেন্দ ক্রিকেট টিম অসি হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মুম্বাইদা থুংলখিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা ট্রেনিং সেসনসু চথুবা হৌখ্রবনি।

চৈরক অসিদা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না ইংলেন্দ এন্দ ৱেলস ক্রিকেট বোর্দতা ইন্দিয়াদা শান্নগদবা সেরিজ অসিদা মখোয়গী চঙগদবা টুরগী শেনফম মখোয় মশানা পুথোক্লুবা খঙহনখ্রে হায়রি।

বি সি সি আইগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না লোধা কম্মিটিগী অয়াবা য়াওদনা কন্ট্রেক্ট অমত্তা য়ানদুনা পেমেন্ট তৌবা ঙমদে হায়বা ৱাফম ঈ সি বিদা খঙহনখ্রে। ঐখোয়গা ঈ সি বিগা খুৎয়েক পীনদুনা ইংলেন্দ টিমগী অচঙবা শেনফমশিং পুথোক্কনি হায়না য়ানখিবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অদু থবক ওইনা উথোকপা ঙম্লরোই। অদুবু মখোয় মশানা অচঙবা শেনফমশিং পুথোক্লবদি সেরিজ অসি মখা তানা চথগনি। অদুবু ওইরিবা ফীভম অসিদা সেরিজ অসি পাঙথোক্কদ্রা নৎত্রগা পাঙথোক্লোইদ্রা হায়বসি ঈ সি বিগী মখুৎতা লৈরে হায়না ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নিংশিংবা য়াই, লৈবাক অনীনা শান্নবা সেরিজ খুদিংমক মরী লৈনবা বোর্দ অনীনা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) খুৎয়েক পীনদুনা য়ুম্বুগী বোর্দনা লম্বানগদবা টিম অদুগী অচঙবা শেনফমশিং হায়বদি হোটেলদা লৈবগী, টি এ/দি এ অমদি এয়র টিকেটনচিংবা পুম্নমক পুথোক্তুনা লাক্লিবনি।

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ইংলেন্দগী মায়োক্তা টেষ্ট মেচ মঙাগী সেরিজ অমা, মেচ অহুমগী ৱান দে ইন্টরনেসনেল (ও দি আই) অমদি টি-২০ ইন্টরনেসনেল মেচ অহুম শান্নগনি। করিগুম্বা ঈ সি বিনা টুর অসি তোকথোক্লবা ৱারেপ লৌরক্লবদি বি সি সি আইনা চাউরাক্না লুপা ক্রোর ৫০ রোম মাঙবগী ফীভমদা লৈবনা বোর্দ অসিগী শেন্মীৎলোনদা চাউনা শিংনবা হায়বদু ওইগদৌরি।

লোধা কম্মিটিনা পীখিবা য়াথং অদু করিগুম্বা বি সি সি আইগী প্রসিদেন্ট অনুরাগ থাকুর অমদি সেক্রেটরি অজে শির্কেনা থবক ওইনা উথোক্ত্রবদি ইন্দিয়া অমদি ইংলেন্দ অনীগী সেরিজ অসি শান্নদনা লোইশিনখিবা য়াই হায়না কম্মিটিনা অকনবা ৱাফম থমখি।


TOP-10 PRODUCTION CENTRE

HURRY! Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Near Hueiyen Lanpao Press ꯐꯪꯁꯥ—৭০

ADMISSION OPEN

1. Special Foundation Course for Class-IX & X (BOSEM)
Duration : 4 months Fee : Rs. 10,500/- (all subject)
Timing : 4:40 am. - 8:00 am. (For Class - IX) & 4:10 pm. - 8:20 pm. (For Class - X)

2. Special Revision Course for Class-X (BOSEM)
Duration : 2 months Fee : Rs. 5,500/- (all subject), Timing : 3:00 pm - 8:00 pm.

Subjects : English, Maths, Sc., S.Sc., Man
Class starts : 5th December, 2016
Last date : 20th November, 2016

25 Students per batch

Minimum fee with instalment basis
Every student can choose subjects seperately.

- Conducted by well qualified 20 yrs. experienced Teachers and Examiners.
- Suggestion for HSLC Exam 2017.
- Chapter wise Assessment, free study materials.
- Previous Year questions analysis.
- Regular Mock Test on every sunday.

VAN SERVICE AVAILABLE

For more details, Pliz call ☎ 8794523940 / 9615049496

HL-P/10434/3-17 Nov.


# থাইলেন্দনা ইন্দিয়াবু ৱর্ল্ড জুনিয়র মিক্স টিম চেম্পিয়নশিপতা মায়থীবা পীখ্রে



বিলবাও (স্পেন), নভেম্বর ০৫ :

ইন্দিয়ন প্লেয়রশিংনা মফম অসিদা চথুরিবা বি দব্লিয়ু এফ ৱর্ল্ড মিক্স টিম চেম্পিয়নশিপকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেলদা অকনবা মতীং ফূদোক্তুনা শান্নখ্রবসু থাইলেন্দগী মখুৎতা য়াম্না লাকচনা ৩-২ দা মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়ন টিমনা মঙাশুবা-নিপানশুবা মফমগীদমক ইন্দোনেসিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

সাটৱিক-সাইরাজ রাঙ্কিরেদ্দিনা মাহিমা অগ্রাৱাল অমদি কৃষ্ণ প্রসাদ গারাগাগা জুরা শেমদুনা শান্নখিবদা মথংশিংনা মিক্স দবলস অমদি মেন'স দবলস মেচশিং মায় পাকখি। অদুবু ইন্দিয়ানা সিঙ্গলস অনী অমদি নুপীগী দবলস মেচ মায়থীখি।

সাটৱিক-সাইরাজ অমদি মাহিমানা থাইলেন্দগী পাকিনকুনা-অনুভিট অমদি কৱানচানোক সুদজাইপ্রা-পারাটপু মিনিট ৩০ চঙনা শান্নখিবা মিক্স দবলস মেচতা ২১-১৫, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ানা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

অদুবু মেন'স সিঙ্গলসতা লাকশয়া সেননা মিনিট ৩৮ চঙনা বিলবাও এরেনাদা শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা কান্টাফোন ৱাংচারোনগী মখুৎতা ১৭-২১, ২০-২২ দা মায়থীখিদুনা ইন্দিয়াগী ফীভম শোকচিনহনখি।

সাটৱিক সাইরাজনা মহাক্কী পার্টনর কৃষ্ণনা মিনিট ৩৫ চঙনা শান্নখিবা মেন'স দবলস মেচতা ৱারিট সারাপাট অমদি পানাচাই ৱোরাসাকটায়ানানবু ২১-১৫, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী আশা ময়োল চোংহনখিবনি। অদুবু আকারশি কশয়পনা মিনিট ৩০ চঙনা শান্নখিবা ৱিমেন'স সিঙ্গলসতা থাইলেন্দগী প্লেয়র পোরনপাৱী চোচুৱোংগী মখুৎতা ৯-২১, ১০-২১ দা মায়থীদুনা ২-২ দা লেভেল মান্ননা লৈখি।

নুপীগী দবলস মেচকী দিসাইদিংদা মিথুলা য়ু কে অমদি মাহিমানা অলিসা সাপনিটি অমদি বুথাইচানোকলাইসুআনগী মখুৎতা ১৯-২১, ১৮-২১ দা মিনিট ৩৮ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীহৌখি।

HL-B/3446/4/11-3/12


ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜ

URIPOK POLEM LEIKAI

THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN - REVISION COURSE FOR CLASS X Starts: 5th Dec. 2016 Time : 11 am - 4 pm

Foundation Course for Class I to X Starts: 15th Dec. 2016 Limited Seat




SUBJECT TOPPERS 2016
Mathematics
1) Chetanna
2) Vasundhara
3) Sindia
4) Sohana
4) Wosoron
5) Yaisana
Hr. Mathematics
1) Ningthem
2) Sohana
3) Wosoron
4) Yaisana
Computer Sc.
1) Chetanna
2) Jyotsana
Manipuri
1) Sohana
El. Manipuri
1) Wosoron

BOARDING FOR BOYS & GIRLS

VAN SERVICE AVAILABLE

9856988840
9402897710
8732022342